**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 12-08-2025)**

**তিরঙ্গ (এল)ঃ** লৈবাক অসিগী ৭৯ শুবা নিংতম নুমিৎকী মাংওইননা লৈবাক্কী মফম কয়াদা হর ঘর তিরঙ্গ কেম্পেইন পাঙথোকরি।

মনিপুরদসু ঙসি রাজ্য সরকারনা শিনদুনা মনিপুর ষ্টেট ফিল্ম দিবলপমেন্ট সোসাইতিগী ওদিটোরিয়মদা হর ঘর তিরঙ্গা কেম্পেইন থৌরম পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা মনিপুরগী রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালানা মহাক্কী ৱারোলদা হায়-হর ঘর তিরঙ্গা কেম্পেইন অসি অজাদিকা অমৃত মহোতসবকী শরুক অমা ওইনা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হৌদোকখিবনি। মহাকা হায়-জাতি অসিগী মচু অহুমগী ফিরালবু ইকায় খুমবা অসিনা অমত্তা ওইবগী ৱাখল্লোন শাগৎপা ঙমগনি। য়ুমথোং খুদিংমক লৈবাক অসিগী শেংলবা লাইশঙ অমমম ওইনা উহন্নবা প্রধান মন্ত্রিনা অসিগুম্বা কেম্পেইন অসি হৌদোকপনি। মসিনা লৈবাক নিংবা অমদি কৎথোকপগী ৱাখল্লোন চেলহনবা ঙমগনি।

মনিপুরগী মতাংদা পল্লদুনা শ্রী ভালানা হায়-রাজ্য অসি কলা সংস্কৃত্তিদা মীয়ামনা শকখঙলি। অসিগুম্বা ফজরবা নাৎকী ওইবা জগোই-ঈশৈ কয়া অসিনা ঐখোয়গী মশেলগী মরক্তা নুংশি চান্নবা পুরকপদা অচৌবা মতেং ওইরি। থৌরম অদুদা রাজ্যপালনা তিরঙ্গ কন্সর্টসু হৌদোকখি। লমদম অসিগী তোঙান তোঙানবা ফুরুপশিংগী মীহুৎশিংনা উৎখিবা জগোই-ঈশৈ উবদা রাজ্যপালনা অপেনবা ফোংদোকখি।

মদুগী মমাঙদা, হর ঘর তিরঙ্গগগী শরুক অমা ওইনা মণিপুরগী রাজ্যপাল অজয় কুমার ভাল্লানা ঙসি অয়ুক পেলেস কম্পাউন্দ ইম্ফালদা লৈবা হগ্তা কাংজৈবুংদগী তিরঙ্গ বাইক রেল্লি লমথাখি। রেল্লি অদুদা, মশিং য়াল্লবা বাইকরশিংনা ভারতকী মচু অহুমগী ফিরাল পায়দুনা শরুক য়াখি। রেল্লি অদু

থৌবাল জিলাদা লৈবা ঐতিহাসিক ওইরবা খোংজোম ৱার মেমোরিয়েল ফাওবা চৎখি।

**রিয়ারসেল(এল) ঃ** আগষ্ট ১৫ দা পাঙথোক্কদৌরিবা ৭৯ শুবা ভারতকী নীংতম নুমিৎকা মরী লৈননা ককচিং জিলাদা ফুলড্রেস রিয়ারসেল পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদু জিলা অদুগীএদমিনিষ্ট্রেসন শিনদুনা দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসনগী গ্রাউন্দদা পাঙথোকখি। রিয়ারসেল অদুদা মনিপুর রাইফলস, বি.এস.এফ, আই.আর.বি. অমদি সিভিল পুলিস য়াওনা পুন্না কন্টিজেন্ট ২৬ না শরুক য়াখি। নীংতম নুমিৎ পালন থৌরম অদুদা তোঙান তোঙানবা কলচরেল গ্রুপ ৯ না নাৎকী ওইবা জগোই-ঈশৈগী থৌরমশিং উৎকনি। লোয়নননা জিলা অদুগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-রোহিত অনন্দনা জাতিগী ফিরাল চিংখৎকনি অমদি মাচ পাস পেরেডকী সলামি ওক্কনি।

**ডে(এল) ঃ** মণিপুরদা অথৌবশিংগী নুমিৎ-হয়েং পাঙথোকবা শেম শাবা লোয়রে। থৌরম অসিদা রাজ্যপাল অজয় কুমার ভাল্লানা লুচিংদুনা লৈখিদ্রবা মণিপুরগী অথৌবশিংগী মফমদা ইকাই খুমবা উৎকনি। মপুং ওইবা থৌরমশিং পাঙথোকফম-ইম্ফালগী মোইরাংখোমদা লৈবা হিচম য়াইচমপাৎ, পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা থাঙ্গাল জেনরেল মন্দির, কংলা উত্রা অমসুং মপাল কাংজেবুংদা লৈবা সহিদ মিনর নিংথিনা শেম শারে।

ইম্ফালগী পোলোগ্রাউন্দদা লৈবা সহিদ মিনরদা হয়েং নুংথিল পাঙথোক্কদবা থৌরমদা রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভাল্লানা লুচিংদুনা অথৌবশিংগী মফমদা লৈ কত্তুনা ইকাই খুমবা উৎকনি।

নিংশিংবা য়াই, ইং ১৮৯১ দা মরৈবাক মণিপুরবু ঙাক শেন্নবগীদমক শোক খিবা এঙ্গলো মণিপুরী লানদা লৈখিদ্রবা লমদম অসিগী থৌনা ফরবশিংবু নিংশিংদুনা চহী খুদিংগী ওগষ্ট ১৩ অসি অথৌবশিংগী নুমিৎ পাঙথোক্তুনা লাক্লি।

হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা অথৌবশিংগী নুমিৎকা মরী লৈননা লম্বীগী চথোক চৎশিনদা অহোংবা খরা লৈরগনি। মসিদা ফায়র সর্ভিস, এম্বুল্যেন্স অমসুং খুদক্কী ওইবা ইমর্জেন্সগী গারিশিংদি কনশিল্লোই। ইম্ফালগী মোইরাংখোমদা লৈবা হিচম য়াইচমপাৎতা অয়ুক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা থৌরমগী য়েংলগা মতুং ইন্না শিংজমৈ রোমদগী লাকপা গাড়িশিং শিংজমৈ থোং অমসুং পিসুম থোং লোমদা থৈদুনা চৎখিগদবনি। ময়াং ইম্ফালদগী লাক্কদবা গাড়িশিং কৈশামথোং ফাওরগা চৎপা য়ারোই। ইম্ফাল জেনরেল পোষ্ট ওফিসতগী শিংজমৈ লম্বী তমা চৎকদবা গাড়িশিং শঞ্জেনথোং অমসুং নিত্যাইপাৎ চুথেক লোমদা থৈদুনা চৎহনগনি।

নুংথিলদা কংলা অমসুং বি.টি পার্কতা পাঙথোক্কদৌরিবা থৌরম মনুংদা কংলাগী নোংচুপ থংবা গেট অমসুং বি.টি রোদকী পরিং গারি চথোক চৎশিন তৌবা অথিংবা থমগনি হায়না ট্রাফিক কন্ট্রোল পুলিস ৱিংগী এস.পিনা থোকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

অথৌবশিংগী নুমিৎনা লাকপদা রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালানা মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি। পাউজেল অসিদা শ্রী ভালানা হায়-ইং ১৮৯১ গী এঙ্গলো মনিপুর লানদা থৱায় কৎখ্রবা থৌনা ফরবা অথৌবশিংগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎলক্লি। নুমিৎ অসিনা লাকপা অমত্তা ওইবগী পাঙ্গল শাগৎতুনা লমদম অসিবু মাংলোমদা চংশিন্নবা হোৎনরসি।

মনিপুর বিধান সভাগী অধ্যক্ষ-থোকচোম সৈত্যবরতানা মনিপুরগী মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি। নুমিৎ অসিনা লাকপদা অথৌবশিং অদুবু নীংশিংবতা নত্তনা মখোয়গী খুদুং ইন্না চৎনবা হোৎনসি হায়না অধ্যক্ষ অসিগী পাউজেলদা পল্লি।

এম.এল.এ-তোংব্রম রোবিন্দ্রোনা নুমিৎ অসিনা লাকপদা মনিপুরগী অপুনবগী শক্তম অমদি নীংতম্বা ঙাকপদা থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা অথৌবশিংগী মফম ইকায় খুমবা উৎলি হায়রদুনা নুমিৎ অসিদা অপুনবগী শক্তম শাগৎতুনা খুমাং চাউশিনবা লমদম অমা ওইহন্নবা হোৎনমীন্নরসি হায়না আপি তৌরক্লি।

**ডে(এল)ঃ** মালেমগী নহাশিংগী নুমিৎ পালন ঙসি মণিপুরদসু ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা সিতি কনভেন্সন সেন্তরদা পাঙথোকখি। থৌরম অসি মণিপুর ষ্টেট এইদস কন্ত্রোল সোসাইটিনা নেসনেল এইদস কন্ত্রোল সোসাইটিগা খূৎশম দুনা পাঙথোখিবা থৌরম অদুদা রাজ্যপাল-অজয় কুমা ভালা শরুক য়াখি অমদি মহাকা থাবুম অনি চুপা চথুগদবা ইন্তেন্সিফাইট আই.ঈ.সি কেম্পেইনসু হৌদোকখি।

থৌরম অদুদা রাজ্যপাল অজয় কুমার ভালানা হায়-লৈবাক অসিদা অওনবা অমা পুরকপদা নহাশিংগী চাউরবা থৌদাং লৈ। হৌরক্লিবা নহারোলশিংগী ৱাখল্লোন খঙমীন্নদুনা মাঙলোমদা চংশিন্নবা হোৎনসি। অমরোমদা, ঐচ.আই.ভি-এইদসনা শোকহল্লবা মীওইশিংগী মশিং হন্থহন্নবা হোৎনবা হায়বসি অচৌবা শিংনবা অমা ওইরি।

মহাকা হায়-অৱাং নোংপোক লমদমশিংগী মনুংদা মনিপুরগী ওইনদি লায়না অসিনা নাবা মীওই মশিং অসি হন্থরক্লি। নেসনেল এইদস কন্ত্রোল সোসাইতিগী মায়কৈদগীসু লায়না অসিদগী ঙাকথোকবা মীয়ামদা খঙহনবগী থৌরম কয়াসু পাঙথোক্লি। মসিদা, রাজ্য খরদা ঐচ.আই.ভিনা নাবা মীওইশিং হেনগৎপা থেংনরি। লায়না অসি থেংনবদা ঐখোয় পুমমক্কী থৌদাং চাউই।

**দিংগো (এল) ঃ** ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী খুরখুল ময়াই লৈকাইদা লৈবা কম্ম্যুনিতি হোলদা আর্টিফিসিএল লিমস মেন্যুফেকচরিং কোরপোরেসন ওফ ইন্দিয়া (অলিমকো), সি.আর.সি. অমদি পি.এম.দি.কেনা পুন্না শিনদুনা হকচাংগী ফিভম মীমান্নদ্রবা অমদি অহল ওইরবশিংদা হ্বিল চিয়ার য়াওনা তেংবাংগী পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে।

থৌরম অদুদা পুন্না মীওই ১১৪ দা হ্বি চিয়ার, হিয়ারিং এদ, ৱার্কিং ষ্টিকনচিংবা য়েন্থোকখি। থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা হৈখাম দিংগোনা হায়-সেকমাই কেন্দ্রদা লৈরিবা হকচাংগী ফিভম মীমান্নদ্রবা অমদি অহল ওইরবশিংদা

মতম মতমগী ওইনা মখোয়গী য়াইফ থৌরাং কয়া লৌখৎতুনা লাক্লি অমদি মখা তানা কেন্দ্র অসিগী অতৈ খুঙ্গংশিংদসু তোঙান তোঙানবা বিভাগশিংগা খুৎশম দুনা য়াইফ থৌরাং কয়া লৌখৎনবা হোৎনগনি হায়না ফোংদোকখি।

**রেগীং (এল) ঃ** লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা পাঙথোকপগুম মনিপুর কম্মিসন ফোর প্রোটেক্সন ওফ চাইল্ড রাইটস (এম.সি.পি.সি.আর)অমদি সেন্টর ফোর ৱিমেন এন্দ গালর্সনা শিনদুনা নোংমগী ওইবা মহৈরোইশিংগী মরক্তা তাথি তাওইনা তৌবা থিংনবা হায়বা হীরমদা মীয়াম পুন্না খঙমীন্নবগী থৌরম অমা ঙসি চান্দেল জিলাগী জৱাহর নবোদিয়া বিদ্যালয়াদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা কম্মিসনগী চেয়ারপার্সন-কৈশাম প্রদিপকুমার, এস.দি.সি. চান্দেল-মোথিল সাকা অমদি জে.এন.ভি. চান্দেলগী প্রিন্সিপাল-ডা: অমরসন শরুক য়াখি। থৌরম অদুগী টেকিকেল সেসনদা এম.সি.পি.সি.আরগী লিগেল কনসলটেন্ট-টি.ঐচ. রাজকিশ্বরনা প্রোহিবিসন এন্দ ইরাদিকেসন ওফ রেগীং এক্ট-২০১৯ অমদি পোক্সো এক্টকী মতাংদা ৱা ঙাংখি।

**হোস্পিতাল (এল) ঃ** পি.এম.জে.এ.ৱাই. কার্ড পায়রিবা মীওইশিংদা শেল তিংদনা মনিপুরদা লৈরিবা লন্নাই হোস্পিতালশিংদা অনা লায়েং মখা তানা চথুবা হৌরগনি হায়না এসোসিয়েসন ওফ হেলথ কিয়ার প্রোভাইদর ওফ ইন্দিয়া-মনিপুর চেপ্তরনা ফোংদোরক্লি।

রাজ্য সরকারনা পীথোক্তনা লৈরিবা শেনফমশিং পীথোক্লগনি হায়বগী থাজবা পীরকপদগী অনা লায়েং মখা তানা চথুনবা ৱারেপ অসি লৌখিবনি। হীরম অসিগী মতাংদা, রাজ্যগী হেলথ কম্মিস্নার-শুমন সিংহগা হীরম অসিগী মতাংদা উন্নদুনা ৱাফম কয়া খন্নখিবগা লোয়ননা হৌজিক পীথোক্তনা লৈরিবা শেনফমশিং অথুবা মতমদা পীথোক্লগনি হায়বগী থাজবা পীরকখি হায়না চেরোল অসিনা মখা তারি।

**মৈ (এল) ঃ**১৩২ বাই ৩৩ কে.ভি য়ুরেন্থম সব-স্তেসনদা লৈবা আই.সি.টি ৩১.৫ এম.ভি.এ, ১৩২ বাই ৩৩ কে.ভি পৱর ত্রান্সফোর্মর শেমজিন শাজিনবগী থবক চথুগদবনা সব-স্তেসন অসিনা মৈ পীরিবা মফমশিংদা অয়ুক অমসুং নুমিদাংগী মতমদা রোতেসন ওইনা লোদসেদিং লৈগনি।

এম.এস.পি.সি.এলগী দিপ্যুতি জেনরেল মেনেজরনা থোকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না ১৩২ বাই ৩৩ বাই ১১ কে.ভি য়ুরেম্বম সব-স্তেসন, ইরোইশেম্বা সব-স্তেসন, লম্ফেল সব-স্তেসন, লৈমখোঙ সব-স্তেসন, খুমন লম্পাক সব-স্তেসন, কংলা সব-স্তেসন, ইম্ফাল পৱার হাউস সব-স্তেসন, মন্ত্রিপুখ্রি সব-স্তেসন, সিভিল সেক্রেটরিয়েট সব-স্তেসন, ইবুধৌ মার্জিং সব-স্তেসন, নিলকুথি সব-স্তেসন অমসুং সেকমাই সব-স্তেসননা কোনবা মফমশিংদা লোদসেদিং অসি তৌগনি।

**পেকেজঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা কেন্দ্র সরকারনা লুপা কোতি লিশিং ৪,৬০০ চংনা পায়খৎকদবা ইন্দিয়া সেমি কন্দক্তর মীসন (আই.এস.এন) গী মখাদা অহেনবা সেমি কন্দক্তর প্রোজেক্ট মরি পায়খৎপদা অয়াবা পীখ্রে।

প্রোজেক্টশিং অদুদি-সিকসেম, কন্তিনেন্টেল দিভাইস ইন্দিয়া প্রাইবেট লিমিটেদ (সিদিল), গ্লাস সোলুসন্স ইন-কোর্পোরেটেদ অমসুং এদভান্স সিষ্টেম ইন পেকেজ (এ.এস.আই.পি) টেকোলোজিনি। প্রোজেক্টশিং অসি উরিষ্যা, পঞ্জাব অমসুং অন্ত্র প্রদেসতা পায়খৎকদবনি।

সেমি-কন্দক্টর প্রোজেকশিং অসিনা টেলিকোম, ওটোমেটিপ, দেতা-সেন টরশিং, কঞ্জুমর ইলেক্ট্রোনিক্স অমসুং উদ্যোগকী লমদা চাউনা কান্নবা পীরগনি।

**সংসদঃ** রাজ্য সভাদা নেসনেল স্পোর্টস গভরনান্স বিল-২০২৫ অমদি

নেসনেল এন্টি দোপিং (এমেন্দমেন্ট) বিল-২০২৫ খন্নরি।

নেসনেল স্পোর্টস গভরনান্স বিল অসি মরুওইনা নেসনেল স্পোর্টর্স বোদিশিং মশক খঙনবা অমদি মথৌ নীংথিনা পাঙথোকবনি। বিল অসিগী মখাদা নেসনেল ওলিম্পিক কমিতি, নেসনেল পেরালেম্পিক কমিতি, নেসনেল এন্দ রিজনেল স্পোর্টস ফেদরেসনশিং লীংবগী ব্রাফম য়াওরি।

**ফ্লদঃ** লৈবাক্কী মফম কয়াদা নোং চুবদগী মীয়ামগী মহৌশাগী পুনশিদা চাউনা খুদোংচাদবা মায়োকরে। লৈবাক্কী কোনুং দেল্লিদা হৌজিকসু নোং লেপ্তুনা চুরি। তেলঙ্গনাগী মফম কয়া ঈশিং থুমজিনখ্রে। উট্টরাখন্দগী মফম কয়াদসু ঈশিং থুমজিনবদগী খুদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োকরে হায়রি।

ইন্দিয়ন মেট বিভাগনা লাক্লিবা নুমিৎ ৭ নি অসিদা উট্টরাখন্দ অমসুং হিমাচল প্রদেশকী মফম কয়াদা নোং কন্না চুরবা য়াই।

অকাশবানি পাউমীনা হায়- সব-হিমালয়ান ৱেষ্ট বেঙ্গল, সিক্কীম, অরুনাচল প্রদেশ, অসাম অমসুং মেঘালয়গী মফম কয়াদা লাক্লিবা শগোলশেল ফাওবা নোং কা হেন্না চুগনি। হায়রিবা মফমশিং অসিদা রেদ এলর্ট লাউথোকখ্রে।

**দুরান্দ কপ ঃ** ১৩৪ শুবা ইন্দিয়ান ওইল দুরান্দ কপকী ইম্ফাল লেগকী অরোইবা মেটচতা ঙসি ইন্দিয়ান নেভি ফুটবোল টিমনা ত্রাও এফ.সিবু পাঞ্জল ২-১ দা মায়থিবা পীক্রে।

ইম্ফালগী খুম্মন লম্পাক মেন ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচতা অহানবা হাফ ফাওবদা ত্রাউ এফ.সিনা পাঞ্জল অমা চনদুনা মাংজিল থাখি। অনিশুবা হাফতা ইন্দিয়ান নেভিগী মায়কৈদগী শান্নবগী ৮৭ শুবা মিনিটতা পাঞ্জল অমা হন্দোকখি। মদুগী মতুং ইনজরি টাইমগী অহুম চনবা মিনিটতা পাঞ্জল অমমুক চন্দনা পাঞ্জল ২-১ দা থোইখিবনি। ইন্দিয়ান নেভি ফুটবোল টিমগী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু পিনতু অমদি শ্রেয়াসনা চনখি।

ত্রাউগী অমত্তা ঙায়রিবা পাঞ্জল অদুনা শান্নবগী ২৯ শুবা মিনিটতা মোইরাংথেম নেলসননা চনখি।

গ্রুপ (দি) গী মেটচতা হৌজিক অসামগী সাই ষ্টেদিয়মদা বোড়োলেন্দ এফ.সি. অমদি ইন্দো টিবেটিয়ান বোর্দর পুলিস ফুটবোল টিম অনি শান্নরি।

দুরান কপকী নোক আউট মেটচশিং থা অসিগী ১৬ তগী শান্নবা হৌরগনি।

**ফুটবোলঃ** সব-জ্‌নিয়র বোইস নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ ২০২৫-২৬ শরুক য়ানবগীদমক কোচিং কম ত্রাইয়েল পাঙথোকবা শান্নরোই ৫৭ খনগৎলে।

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনগী জেনরেল সেক্রেটরিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়-খনগৎলবা শান্নরোইশিংনা মখোয় মখোয়গী অধার অমসুং দেট ওফ বার্ত সার্তিফিকেটকা লোয়ননা থা অসিগী ১৭কী অয়ুক পুং ৭ মখায়দা লম্লোং থোংখোঙদা লৈবা আর্টিফিসিয়েল তর্ফ গ্রাউন্দদা রিপোর্ট তৌরগদবনি।

**ক্রিকেটঃ** ইং ২০২৫-২৬ গী অহানবা ওইনা বি.সি.সি.আইনা পাঙথোক্কদৌরিবা দুলিপ ত্রোফিগী ওইনা নোর্থ ইষ্ট জোনেল টিমদা শরুক য়ানবগীদমক মনিপুরদগী শান্নরোই ৬ অমদি সপোর্ট ষ্টাফ খল্লকপদা মনিপুর ক্রিকেট এসোসিয়েসননা নুংঙাইবা ফোংদোরক্লি।